## ওপোজিসনগী মীওইশিং থাদোক্লবা তকশিনখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

মীখল ফ্রী ওইনা পাঙথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা হৌখিবা থাংজদা মোস্কোদা চথখিবা প্রোটেষ্টতা ফাজিনখিবা ওপোজিসনগী মীওইশিং খুদক্তা থাদোক্লবা জর্মন গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়াদা তকশিনখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা অদুগুম্বা দেমোনষ্ট্রেসন ইলিগেল ওই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রবা মতুংদা শক্লাইরবা এক্তিভিষ্ট লিয়ুবোভ সুবোল য়াওনা মোস্কোগী প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়াখিবা মীওই ৮০০ হেন্না রসিয়ন পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নদুনা ফাজিনখিবনি।

## ঈ য়ু কম্মিসন্না ৱার্নিং তৌখ্রে

ব্রুসেলজ, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

শেল-থুমগী হীরমশিংদা চাওনা শোকহনগদৌরিবা হার্দ ব্রেক্সিটকী ফিভম লাকহন্দনবগীদমক য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগা ৱারী শান্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ঈ য়ু এগজিক্যুটিভকী স্পোক্সপর্সন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# ‘য়ু এসকী মিসাইলশিং ওস্ট্রেলিয়াদা দিপ্লোই তৌরোই’



সিদনি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এসিয়া-পেসিফিক লমদমদা য়ু এস মিসাইলশিং থুনা দিপ্লোই তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ু এসকী ইন্টমিদিয়েট-রেঞ্জ মিসাইল অমত্তা থম্লোই হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা গভর্নমেন্ট অনীগী ওফিসলশিংগী মরক্তা সিদনিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা লোইশিনখিবগা লোয়নন্না মীচং ওইনরিবা লৈবাক অনীনা এসিয়া-পেসিফিক লমদমদা চাইনানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং পুন্না থেংনমিন্নবগী ৱাফম য়ানখি।

মীফম অদুদা লৈবাক অনীমক্না চাইনানা লমদম অদুদা ইথিল পীবা হেনগৎলকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি। ৱারী শান্নবা অদুদা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ঈস্পরনা লাক্লিবা থা খরা অসিগী মনুংদা এসিয়া-পেসিফিক লমদমদা য়ু এসকী মিসাইল দিপ্লোই তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চয়োলদা ৱাশিংটন্না মরু ওইবা আর্মস কন্ট্রোল ট্রিটি অমদগী ৱিথদ্রো তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি। ঈস্পরগী ৱাফমশিং অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ু এসকী মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা পোকহনখি।

তৌইগুম্বসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোরিসন্না হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী হায়জরকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না করিগুম্বা মতুংদা অসিগুম্বা থৌরাং অমা হায়রক্লবসু ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ারোই হায়না চেৎনা পনখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা মীচং লৈবাক ওইবা অমদি চাইনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা এক্সপোর্ট মার্কেট ওইবনা মরম ওইদুনা হন্দক্তা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা অমদি সাউথ চাইনা সী অমদি টাইৱান ষ্ট্রেট অনীমক্তা নীং তম্না নেভিগেসন তৌবগী রাইটশিংগী মতাংদা ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা খনফম খঙদবা নুংঙাইতবা ফিভম অমা মায়োক্লখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টনা বাইলেটরেল মরী ফগৎনবা হোৎনরিবশিং পেনিংঙাই ওইদে হায়না বৈজিংনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়না মরু ওইনা নুংনাংলিবদি চাইনানা ফোরেন এইদপু খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরগা রিসোর্স মরাং কায়না লৈরবা পাক চাওরবা ওসিনগী শরুকশিং কন্ট্রোল তৌরিবা পেসিফিক্কী লৈবাক খরদা ইথিল পীনবা কন্না হোৎনরকপা অসিনি।

# ‘হৌথিশিংনা সাউদি এয়রপোর্টশিং, এয়র বেজদা দ্রোন এটেক চথখ্রে’



দুবাই, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) : য়েমেনগী হৌথি ফোর্সশিংনা সাউদি অরাবিয়াগী কিং খালিদ এয়র বেজ অমদি অবভা অমসুং এয়রপোর্টশিংদা দ্রোন এটেকশিং চথখ্রে হায়না হৌথি মুভমেন্টকী মিলিটরি স্পোক্সমেন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, য়েমেন্দা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথিশিংগা লান্থেংনরিবা সাউদি অরাবিয়না লুচিংবা কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা হৌথি দ্রোনশিং সিভিলিয়ন এয়রপোর্ট তম্না পাইশিল্লকখিবদা লমখাংদা কাপথখি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

হৌথি মিলিটরিগী স্পোক্সমেন য়াহয়া সারিয়া হায়খি মদুদি, অভা এয়রপোর্টতা চথখিবা এটেক অদুদা টার্গেটিশিংদা চপ চানা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রে অমসুং অভা অমদি নজরং অনীমক্কী এয়র ট্রাফিক্তা অকায়বা পীখি। মফম অহুম্মক য়েমেনগী বোর্দরগা তাইনবা সাউদি অরাবিয়াগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ঙাক্তনি। য়েমেনগী কেপিটেল সানা কন্ট্রোল তৌরিবা হৌথিশিংনা হৌখিবা থা খরা অসিদা সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা টার্গেটশিংগী মায়োক্তা এটেক হেন্না কন্না চথরকখিবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা কোলিসন্নসু গ্রুপ অসিগী মিলিটরি সাইটশিংদা এয়র রেইদশিং চথখি।

# ‘স্কোটশিংনা য়ুনাইদেট কিংদমদগী মনীং তম্বা পাম্মী’



লন্দন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবা মতুং য়ুনাইটেদ কিংদম অসি য়াম্না থুনা মচেৎ তারবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা খোঙথাং অমদা স্কোটিস ভোটরশিংনা নীং তম্বগী ৱাফম শৌগৎকনি অমসুং মখোয়না মথং চহী ২গী মনুংদা অতোপ্পা রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপা পাম্মী হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা পোল অমনা উৎখ্রে।

মাইকেল অস্ক্রোফনা কন্দক তৌখিবা পোল অমগী মতুং ইন্না নীং তম্বগী রেফরেন্দম অমদা মখোয়না করম্না ভোট পীগদগে হায়না হংবদা সর্ভে তৌখিবা স্কোটিস ভোটর ১,০১৯গী চাদা ৪৬ না মখোয় নীং তম্বা শৌগত্তুনা ভোট পীগনি হায়খি অদুগা চাদা ৪৩ না নীং তম্বগী মায়োক্তা ভোট পীগনি হায়খি।

স্কোটলেন্দবু মনীং তমহনবগী ৱাফমগী মতাংদা পাঙথোকখিবা সর্ভে অদুদা হীরম অসিগী মতাংদা মখোয় করিমত্তা খঙদে নৎত্রগা অসিগুম্বা ভোট লৌনবদা শরুক য়ারোই হায়বা মীওইশিং চাদা ৫২ দগী চাদা ৪৮ ফাওবা ওইখি। অনৌবা পোল অদুদা চহী অনী খরা হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা ভোটর মশিং কা হেন্না য়াম্বনা নৎত্রগসু ভোটর অয়াম্বনা স্কোটলেন্দনা য়ু কেদগী মনীং তম্না লৈবগী ৱাফম শৌগৎখি হায়না বোরিস জোন্সন্না য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা হোৎনখিবদা য়ানিংদবা উৎখিবা কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা অস্ক্রোফনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাদা টেরিসা মেগী মহুৎ শীন্দুনা অনৌবা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক তৌবা হৌখিবা অমসুং স্কোটলেন্দদা পাম্নদবা লিদর অমা ওইরিবা বোরিস জোন্সন অসি হৌখিবা চয়োলদা স্কোটিস ফাষ্ট মিনিষ্টর নিকোলা ষ্টরজেনগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা স্কোটলেন্দদা লাকখিবদা স্কোটিস মীয়াম্না য়ানিংদবগী থৌওং কয়া উৎখি। স্কোটিস ফাষ্ট মিনিষ্টর অসিনা অনৌবা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবা লন্দন্দা তকশিনবসু লৈরিবনি।

# থাইলেন্দনা বোম পোকখায়বদা চেন্নবশিং ফানবা হোৎনরি

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

হৌখিবা চয়োলদা বেঙ্কোক্তা পরিং নাইনা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই ১০ হেন্না থাই সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোইথি থিরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।


য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা অমসুং অতৈ মালেমগী পৱারশিংগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট কয়াসু শরুক য়াখিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমা থাইলেন্দগী কেপিটেল বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্লিবৈঙে হৌখিবা ইরাইদা সিটি অসিগী মফম খরদা বোম ৬ পোকখায়খিবনি।

থাই ওথোরিটিশিংনা হৌজিক অতোপ্পা ফায়র-বোম ৬ অমসু ইরাই নুমিত্তা সেন্ট্রেল বেঙ্কোক্তা পোকখায়খি হায়না ক্লেম তৌরি। মখোয়গী মতুং ইন্না বোম ৬তুগী মনুংদা বোম ২না টুরিষ্টশিংনা পাম্নরবা সেন্ট্রেল সোপ্পিং দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈবা সোপ্পিং মোল অমা মৈ চাকহনখি।

থাংজ নুমিত্তসু সাউদর্ন পাতানি প্রোভিন্সতা এ টি এম মেছিন অহুমদা বোম পোকখায়খি। থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা কনামত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। পরিং নাইনা চথরক্লিবা বোম পোকখায়গী থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবা মীওই ১০ হেন্না ফারগা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীবা অমদি এটেকশিং অসিগী মরম খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন চথবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না প্রয়ুদনা ফোঙদোকখি।

থাই প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খিবদা, হৌজিক এটেকশিং অসি কনানা পাঙথোকখ্রিবনো হায়বগী মতাংদা ঐখোয়না হায়বা ঙমদ্রবসু অসিগুম্বা এটেকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু থম্মোয় পান্দবা অমদি দেম্মক্রেটিক গভর্নমেন্ট অমগী মখাদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌরক্লবা লৈবাক অসিদা কাং খোং চাইবগী ফিভম লাকহনবা পাম্বা মীওইশিংনি হায়না লৌদবা ঙমদে। বোমগী এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ২ ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি। মখোয় অনী ওথোরিটিশিংনা হৌখিবা শগোলশেলদা সেন্ট্রেল পুলিস হেদ ক্বার্টরগী মমাংদা বোম ২ প্লান্ট তৌনবা হোৎনখি হায়না মরাল শীরিবনি।





# হোন্দুরাসতগী মাইগ্রেন্ট ১ পুলিসনা হাৎখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা মেক্সিকোগী প্রসিদেন্টনা ওর্দর তৌখ্রে



মেক্সিকো সিটি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

মেক্সিকোগী নোরদর্ন সিটি সাল্টিলোদা হোন্দুরান মাইগ্রেন্ট অমা হাৎখিবগী মতাংদা থিজিন্দুনা মাইগ্রেন্ট অদুগী মীশিদা পুলিস ওফিসলশিং করি করম্না থৌদাং য়াখিবগে হায়বদু খঙদোক্নবা মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট অন্দ্রেস মন্যুএল লোপেঝ ওব্রদরনা ইরাই নুমিত্তা ওফিসলশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

চহী ৮ শুরবী মচানুপীগা লোয়নন্না মেক্সিকোদা লৈরিবা হোন্দুরান মাইগ্রেন্ট অদু হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা রেল ষ্টেসন অমদা ষ্টেট পুলিস য়ুনিট অমগী মেম্বর অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়না কোৱাহুইলা ষ্টেটকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মীহাৎ অদু এক্তিভিষ্টশিং অমদি মাইগ্রেন্ট সেল্টরশিংনা মাইগ্রেসনগী মায়োক্তা ওথোরিটিশিংনা চথরকখিবা মীফা মীপুনগী কেম্পেয়ন অমবু কন্না কন্দেম তৌখ্রবা য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দর মনাক্তা হন্দক্তা পরিং নাইনা থোক্লকখিবা থৌদোক কয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবনি। করিগুম্বা মেক্সিকোনা সেন্ট্রেল অমেরিকাদগী লাক্লিবা মাইগ্রেন্টশিংদা অথিংবা পীদবা তারবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙলক্লিবা মেক্সিকোগী পোৎ-চৈশিংদা অনৌবা টারিফ কয়া লৌরগনি হায়না কিহনখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী প্রেসরদা মেক্সিকোগী গভর্নমেন্টনা বোর্দর কন্ট্রোল তৌবগী থবক কনখৎলকখিবনি।

সাল্টিলো সিটিদা হোন্দুরান মাইগ্রেন্ট অমা হাৎখিবসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়না রুটিন ন্যুজ কনফরেন্স অমদা লোপেঝ ওব্রদরনা ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুদা কোহুইলা পুলিসনা মখোয়গী ওইবা থৌদাং য়াজখ্রে হায়না পল্লদুনা ওব্রাদরনা হায়খি মদুদি, মাইগ্রেন্ট অদুগী মায়োক্তা মাইগ্রেসন এজেন্টশিংনা করিগুম্বা খরা তৌখি হায়বগী চিংনবা লৈবনা ঐহাক্কী মায়কৈদগী ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা ওফিসলশিংদা ওর্দর তৌখ্রে। এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইরাই নুমিত্তা মখা তাবা ইনফোর্মেসন খঙহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মেক্সিকোগী পব্লিক সিক্যুরিটি মিনিষ্ট্রি অমসুং মাইগ্রেসন ইন্সটিট্যুটনা পুন্না শগোলশেল নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফেদরেল পুলিস নৎত্রগা মাইগ্রেসনগী ওফিসল অমত্তা মীহাৎ অদুগা মরী লৈনবা ওপরেসন্দা শরুক য়াখিবা লৈতে হায়খিবনি।

# কাইরোদা হোস্পিটাল মনাক্তা কার বোম পোকখায়বদা ২০ শিরে

কাইরো, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

কাইরোগী মরু ওইবা কেন্সর হোস্পিটাল অমগী মপান্দা মিলিটেন্ট এটেক অমদা শীজিন্নগদবা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা কার অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোকখায়খিবগা লোয়নন্না মীওই ২০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪৭ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইজিপকী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংনা অহানবদা পোকখায়গী থৌদোক অদু কার অমনা খোঙজেল য়াংনা চেল্লক্লগা অতোপ্পা কার অহুমদা থোমজিনবদগী থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

শাথিরবা পোকখায়গী থৌদোক অদুদা হোস্পিটাল অদুগী মমাংথংবা শরুক ফিভম থিনা অকায়-অতোই থোকখি, থোঙনচিংবা অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়নন্না হোস্পিটালগী মমাং থংবা লৈমায়গী শরুক্তা অকায় অতোই ময়াম অমা চাইনা তাখি। অকায় অতোইশিং অদুগী মরক্তা শিখিবা মীওইশিং অদুগীনি হায়বা থাজবা পোৎ-চৈ কয়াসু চাইদুনা লৈখি হায়রি।

ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিনা কার অদু থাখরগী মমাংদা হুরানখিবা গাড়িনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, অহানবগী টেক্নিকেল এগজামিনেসন্দা কার অদুদা এক্সপ্লোসিভশিং মরাং কায়না য়াওই হায়বসি খঙবা ঙমখিবগা লোয়নন্না কার অদুনা অতৈ গাড়িশিংগা থেংগায়নবদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়বসিসু খঙলে।

টেররিষ্ট ওপরেসন অমা পাঙথোকপদা শীজিন্ননবগীদমক কার অদু অকক্লবা মফম অমদা পুরক্লিবনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা কার অদুবু পোকখায়হল্লিবদু মিলিটেন্ট গ্রুপ হসমগী খুৎনি হায়নসু ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬ দা শেমখিবা অমসুং ইজিপতা চথখিবা এটেক কয়া ক্লেম তৌখ্রবা হসমবু লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা অথিংবা থমখ্রবা মুস্লিম ব্রদরহুদকী মশা অমনি হায়না মরাল শীরিবনি।

অমরোমদা, ইজিপকী খ্বাইদগী লিরবা ইস্লামিষ্ট মুভমেন্ট অসিনা ৱাফম অসিবু য়াদবগা লোয়নন্না মখোয়গী অপাম্বদি মরা তপ্পা পান্থেশিংদমক শীজিন্নরগা পান্দম ফংনবা হোৎনবনি হায়রি। ইজিপসিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সিনাই পেনিন্সুলাগী অৱাংদা মীৎয়েং থম্বা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা কাঙবু খরা য়াওনা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা কাউন্টরইর্ন্সজেন্সি কেম্পেয়ন অমা চথরিবনি।



# বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর ওক্তোবরদা ইন্দিয়াদা চৎলগনি



ধাকা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনা চহী অসিগী ওক্তোবরদা ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা চত্তুনা লৈবাক অনীমক্তা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈশিং শীজিন্নবগী ৱাফম য়াওনা মহাক্না বাইলেটরেল ইশ্যু কয়াগী মতাংদা ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নরগনি হায়না বাংলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর এ কে অব্দুল মোমেন্না ধাকাদা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙচৎ অসি থংন-থংনন্না অহুম্লক শুবা টর্ম অমগীদমক্তা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী হসিনানা ইন্দিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইগদৌরিবনি। খোঙচৎ অসিগী চপ চাবা মতম ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা ধাকাদা ওগষ্ট ২০-২১ দা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ অমা লাকপা মতমদা লেপ্লগনি হায়না ধাকা ট্রিবুনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হসিনাগী ইন্দিয়া খোঙচৎ অসিগী এজেন্দাদা য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক অনীগী বাওন্দরি ৫৪দা ফাওরগা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈশিং পুন্না শীজিন্নবগী ইশ্যুদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়নন্না বাইলেটরেল, রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনল ইশ্যু পুন্নমক্কী মতাংদা খন্নবগী ৱাফমশিং য়াওরি।

মমাংদা লৈবাক অনীনা কুমজা ২০১১ গী সেপ্তেম্বর ৬ তা হান্নগী ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ধাকাদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবৈদা টীষ্টা ৱাটর এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীননবা থৌরাং তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না য়েৎলকপদগী ঈশিংগী দিল খুৎয়েক পীনবগী ৱাফম অসি মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবনি।

# নাইজিরিয়ানা সিয়াইট মুস্লিম লিদর মপান্দা লায়েংবা চৎহনগদৌরি

কাদুনা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি) :

অথিংবা থম্বা নাইজিরিয়ন সিয়াইট মুস্লিম গ্রুপ অমগী ফাজিন্দুনা থল্লিবা লুচিংবা অমা লায়েংনবগীদমক্তা মপান্দা চৎপা য়াগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা নাইজিরিয়ন জজ অমনা রুলিং পীখ্রে।

মহাকপু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা পরিং নাইনা চথরকখিবা প্রোটেষ্ট কয়া হৌখিবা থাদা মীশি-মীনা কয়া থোকখিবা মতুংদা নাইজিরিয়ন জজ অদুনা সিয়াইট মুস্লিম লুচিংবা অদুবু মপান্দা লায়েংবা চৎনবগী অয়াবা পীখিবনি।

হৌখিবা জুলাইদা চয়োল অমা চুপ্না প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা ইস্লামিক মুভমেন্ট ইন নাইজিরিয়া (আই এম এন) হায়রিবা গ্রুপ অসি নাজিরিয়না বেন তৌখি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নবদা মেম্বর ২০ লোম শিখি হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা পুলিসনা অশিবশিংগী মশিং ফোঙদোকখিদে। গ্রুপ অসিগী লুচিংবা ইব্রাহিম ঝকঝাকি কুমজা ২০১৫ দা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা গ্রুপ অসিগী কম্পাওন্দ অমসুং মনাক নকপদা লৈবা মোস্ক অমদা থোমজিন্দুনা মীওই ৩৫০ রোম হাৎখিবদগী ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি।

কোর্টগী ওর্দর অমনা মহাকপু থাদোক্লবা খঙহনখ্রবসু নাইজিরিয়ন ওথোরিটিশিংনা মহাকপু থাদোকউ য়াখিদে। মহাকপু ফাজিল্লিবদু লোগী মায়োক্তনি হায়না আই এম এনা ফোঙদোকখি। নোর্থ-ৱেষ্টর্ন সিটি কদুনাদা লৈবা কোর্ট অমগী জজনা ঝাকঝাকি অমসুং মহাক্কী লোইনবীবু ষ্টেট ওফিসলশিংগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াদা লায়েংবা চৎনবগী অয়াবা পীখিবনি। আই এম এন অসি নাজিরিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সিয়াইট ওর্গনাইজেসননি।

